মরী লৈনদে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১: ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্যান্দো অমদি ৩৯শুবা আসাম রাইফলসকী অপুনবা খুৎপু অমনা থা অসিগী ৯ দা অচৎ-অওক চেক তৌবদা ফারে হায়রিবা মীওই অনী সগোলশেম সনাতোম্বা (২৩) অপোকপা সগোলশেম ইবোচা, লাঙথেল লৈকোল অমসুং হিজম অমরজিৎ এলিয়স মঙ্গোলজাও (২৩) অপোকপা ঐচ রঞ্জিৎ লমজাম ময়ায় লৈকায় হায়রিবা মীওই অনী অসি কংলৈ য়াওল কন্না-লূপ (কে ৱাই কে এল) গা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। মখোয় অনীমক মীচম ঙাক্তনি হায়না লূপ অসিগী পব্লিসীটি এন্দ রিছার্সকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি থোইবা মঙাঙনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

স্কুল য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা ঙসি সেনাপতি ভিলেজগী তুসি ঙাসি খুমাইদা লৈবা সেনাপতি এদেদ জুনিয়র হায় স্কুলগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। স্কুল অদুগী হৌজিক ওইরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফীভমদা অৰাৎ-অপা ঙাক্তা লৈরবসু স্কুল অদুদা মহৈরোয় য়াম্না মহৈ তম্লম্বা থেংনবদা নুংঙাইবা ফাওখি অমদি মহৈরোয়শিংগা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শানখি।

স্কুল কেম্পস ইন্সপেক্সন চৎপা অদুদা নুপা অমসুং নুপী মহৈরোয় ২ পুন্না মহৈ তম্লিবা স্কুল অদুগী মপূং ফাবা টোইলেটকী খুদোংচাবা লৈরমদবা অদুদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মায়কৈদগী মহৈরোয়শিংগী মপুং ফাবা টোইলেট শাবদা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা সেনাপতি এ দি সীগী চ্যেরমেন এল এ মার্কসন, দি সী অথেম মুইভা, ২৪ এ আরগী সী ও কর্নেল জি কে মহেন্দ্র অমসুং এ দি সীগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

আই-এমনা নাগা...

লামায় ১গী মখা... নাগাশিংগী মপুং ফাবা নীংতম্বা পুরক্লবগী মতাংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা মরুওইবা হায়ৰে অমা ওইরি। কেম্প হিব্রোন্দা এন এস সী এন (আই-এম)গী ওফিসলশিংনা রেংমা নাগা হিলস অমদি কর্বি অংলোংগী তোঙান তোঙানবা গাউনবুরা অমদি নাগা পব্লিক লীদরশিংগা পাক শন্না খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

আই-এমগী মায়কৈদা কিলোন্সর হুকাবি য়েপথোমি অমদি লেফটনেন্ট জেনরেল নিংখাম সিমরেনা লূচিংদুনা ৱারী শানবদা শরুক য়াখি। ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং, কিলোন্সরশিং, দেপ্যুটি কিলোন্সরশিং, কেবীনেট সেক্রেটরি, কিলো সেক্রেটরি অমদি অতৈ ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি।

লুপা লাখ ৫গী...

লামায় ১গী মখা... হায়রি। চথুরিবা দ্রাইব অসি মখা তানা লেপ্পুনা চথুখিগনি হায়রি।

মরকসিদা, অপুনবা টিম অদুনা অপাবা মখলগী পোলিথিন খাউ য়োল্লম্বা দুকানশিংদগী ফাগৎপদা লোৎতুনা থল্লম্বা লুপা লাখ মঙারোমগী হিদাক মনাগী পোৎলমশিংসু ফাগৎখি। হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু ফুদ সেফটিগী টিম্না খোমগৎখি। ফারবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা মখল মখা কয়াগী জর্দা, খৈনি অমসুং অতৈ হীদাক মনাগী পোৎলমশিংনি হায়রি।

পোৎলমশিং অদু নীংথিনা সিল্ড তৌশিল্লগা ফুদ সেফটিগী টিম্না ওফিসতা পুখ্রে। অদুমকপু ঙসি ফারিবা পোৎলমশিং অদুগা মরী লৈনবা মীওই অমত্তা ফাগৎপগী পাউ লৈতে।

GAS TODAY

JEMON GAS SERVICE
CHINGAMATHAK
Booking Upto:02/07/2017
Valid From:09/06/2017
Stk :612 (CTC), Rs 843/-
Timing:07.00am to 09.00am

MM GAS SERVICE
Booking Upto:02/08/2017
Valid From:27/07/2017
Stk :306 (DBTL), Rs 843/-
Timing:07.00am to 10.00am

RBD INDANE SERVICE
Booking Upto:26/08/2017
Valid From:03/08/2017
Stk :612 (Only for CTC)
Timing:07.00am to 11.00am

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto:07/08/2017
Valid From:01/08/2017
Stk :306
Timing:07.00am to 10.00am

SAWOMBUNG INDANE
Booking Upto:14/09/2017
Valid From:10/09/2017
Stk :306
Timing:07.30am to 10.00am

KHUMBONG INDANE
Booking Upto:11/09/2017
Valid From:07/09/2017
Stk :306, Rs.847.50/-
Timing:07.30am to 10.30am

KHONGNANG GAS AGENCY
NINGTHOUKHONG
Booking Upto:04/07/2017
Valid From:12/06/2017
Stk :306
Timing:07.00am to 11.00am

কোলেজগী মীখলদা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয় ১০৫ তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): তোঙান-তোঙানবা কোলেজ ২৮ দগী ভোট কারক্লবা মহৈরোয় ১০৫ বু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইমা খুন্থোকহানবী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেসন কম্মিটি এন্দ মোনিটরিং সেল ২০১৭-১৮ না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মোনিটরিং সেল ২০১৭-১৮ গী কনভিনর দোলর লোইতোংবম, এমসুগী প্রসিদেন্ট অমদি জে এ সী সীগী কনভিনর মঞ্জিৎ শরাংথেম, এম এস এফকী প্রসিদেন্ট অমদি জে এ সী সীগী কনভিনর নোংথোম্বম মুক্তা ঙানবা, কে এস এগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম লক্ষমন অমদি এস য়ু কেগী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম গোবিননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা দোলর লোইতোংবমনা ফোঙদোকখিবদা, কোলেজশিংদগী ভোট কারক্লবশিং অসি অমগা অমগা খঙনহন্নবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অসি পাঙথোক্লিবনি। মখোয় মশেল খঙনরবদি নুংশিনবগী মরী অদু ফগৎপা ঙমগনি। অসিগুম্বা পান্দম অসিগী মখাদা থৌরম অসি শিনবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মঞ্জিৎ শরাংথেমনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা থেংনরিবা কয়া অসিগা টেক্সবূককা চানরক্তবা কয়ানা খুন্নাই অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লি। অনৌবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙম্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা নোংথোম্বম মুক্তাঙানবনা ফোঙদোকখিবদা, ভোটতা মায় পাক্লক্লবা কেন্দিদেটশিং অসি তরাম্না ওক্লি। তুংদা মীয়ামগীদমক সোসল ইস্যু কয়াদা খুমাঙ চাউশিন্না থবক তৌরক্কনি থাজৈ। মহৈরোয়শিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তংগী লাপ্পা লৈহন্নিংই। ৱাখল তানদবা য়াওবদা নুংঙাইতবা থৌদোক অমা থোকখিবা অসি নুংঙাইতবা ফাওই। মতুং তারকপদা নুংঙাইতবা থৌদোক থোক্তনবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লৌউ-শিংউগী স্কিমশিং লৌমীশিংদা খঙহনবা চঙই : তাওথাং

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা লৌউ-শিংউগী স্কিমশিং লৌমীশিংদা খঙহনবা চঙই হায়না ঙসি দিরেক্টোরেট ওফ ফিল্ড পব্লিসীটি (নাগালেন্দ এন্দ মণিপুর) গী রিজনেল দিরেক্টর মঙজাঙম তাওথাংনা এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা রিজনেল ওরিয়েন্টেসন ৱার্কশোপ্তা ফোঙদোকখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ ফিল্ড পব্লিসীটি (মিনিষ্ট্র ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং) রিজনেল ওফিস নাগালেন্দ এন্দ মণিপুরনা শিন্দুনা স্পেসল আউটরিচ প্রোগ্রাম ওন ফ্লেগশিপ স্কিম/প্রোগ্রাম ওফ মিনিষ্ট্র ওফ এগ্রীকলচর এন্দ ফার্মর ৱেলফেয়র হায়বা হীরমদা ফিল্ড ওফিসরশিংগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা মঙজাঙম তাওথাংনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগীদমক য়াইফনবা তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎলক্লি। লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎনবা স্কিম কয়া অসি পায়খৎলক্লিবনি। লৈঙাক্লা লৌউ-শিংউগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া থন্নলক্লি। সোইল হেল্থ কার্দ স্কিম, প্রধান মন্ত্রিগ্রাম সঞ্চয় যোজনা, প্রধান মন্ত্রি ফসল ভিমা যোজনানচিংবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং লৈরি।

লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসি মায় পাকহনবদা মীয়াম্না শরুক য়াবগা য়াম্না মরী লৈনৈ। দিরেক্টোরেট ওফ ফিল্ড পব্লিসীটিনা ইনফোর্মেসন কয়া শন্দোকপগী থবক চথুরি। লৈঙাক্লা পায়খৎপা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে। ঙসি পাঙথোক্লিবা ৱার্কশোপ অসি ফিল্ড ওফিসরশিংগী ওরিয়েন্টেসনগী ৱার্কশোপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদিস্নেল প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জাবেটর ওফ ফোরেষ্ট, মণিপুর এণ্ড বাইটেনা হায়খি, লৌউ-শিংউগী লমদা অনৌবা লৌউ-পথাপ অমদি ফার্ম মেকনাইজেসনগী মতাংদা নিংথিনা খঙমিন্নবা তঙাইফদে। ইন্দিয়াগী মনুংদা পঞ্জাবনচিংবা ষ্টেট কয়াদা লৌউ-শিংউগী পোথোক মরাং কায়না পুথোকপগা লোয়ননা মপান ষ্টেটশিংদা থাদোকপা ঙম্মী।

নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা চীংগী লম য়াম্না লৈরি। চীংগী লমদা নুপীশিংনা লৌউ-শিংউগী থবক্তা মরু ওইবা থৌদাং কয়া লৌরি। লৌউ-শিংউগী থবক তৌরিবা নুপীশিংদা অনৌবা মখলগী লৌউ পথাপশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই আই এ এস এফ পি ও চান্দেল সোনিকুমারসু দেজদা ফমখি। টেক্নিকেল সেসন্দা কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস এম এস খুরাইজম হেরা অমদি এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসর এ কে চিত্তরঞ্জনসু রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি।

শাশিন্নবা আধার কার্দ পীবা খুৎপু অমগী মীওই ৫ দিমাপুরদা ফারে

দিমাপুর, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): মীয়ামদা শাশিন্নবা আধার কার্দ পীবগী থৌওং চথুবা খুৎপু অমগী মীওই মঙা দিমাপুর টাউনদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফাখ্রে।

দিমাপুর পুলিসকী পি আর ওনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, দিমাপুর কমিসনরেট স্পেসল ব্রাঞ্চ (দি সী এস বি)গী টিম অমনা সব-অর্বান পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন-চার্জগা লোয়ননা দিমাপুরগী সেমাতিলা কোলোনিদা লৈবা রাজ কুমার চৌধরিগী ময়ুমদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১দা চথুখিবা থিবা হুম্বগী থবক অদুদা ফাখিবা মীওই মঙা অদুদি সন্তোশ চৌধরি মহাতো (২৩), উমেশ গোর (২৩), বিতু কুমার চৌধরি (২০), রাজ কুমার জেসৱাল (২০) অমসুং রাজু কুমার চৌধরি (৩৬)নি।

পুলিসনা আধারগী ফোর্ম কয়ামরুম শাশিন্নবা দোকুম্যেন্ট কয়াগা লোয়ননা ফাগৎপা ঙমখি। লেপটোপ তরেৎ, য়ু এস বি, জি পি এস দিভাইস মঙা, প্রিন্টর তরুক, বাইওমেট্রিক ফিঙ্গরপ্রিন্ট স্কেনর তরুক, বাইওমেট্রিক আইরিস স্কেনর মঙা, মোবাইল হেন্দসেট নিপান, মিনি ফিঙ্গরপ্রিন্ট দিভাইস অনী অমদি শেল ওইনা লুপা ১৫,৫০০সু ফাগৎপা ঙমখি।

ফারবা মীওইশিং ৱাহং-পাউহং চথুবদা দিমাপুর অমদি অসামগী তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াদা লুপা ৫০০/৫০০ লৌরগা আধার কার্দ কয়ামরুম পীখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখি।

নন-লোকলশিংনা শাশিন্নবা চেচাং শীজিন্নরগা আধার কার্দ লৌখিবগী খুদম ফংলে হায়না দিমাপুর পুলিসনা ফোঙদোকখি। হীরম অসিগী মতাংদা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক সব-অর্বান পুলিস ষ্টেসন্দা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

অমরোমদা, কোহিমাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মেনশিল্লবা এফিদেবিট অমদি নন-জুদিসল পেপরদা ইবা শেল দিদ য়োনবগী থৌওং চথদনবা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

কোহিমাগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার রাজেশ সোন্দারাজননা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি, রেদিমেদ এফিদেবিট অমদি শেল দিদ য়োনবগী থৌওংদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী মতুং ইন্না মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি।

মৌলানা অবুল...

*লামায় ১গী মখা...*মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, মমাঙদা পানখিবা লৈঙাক্কী মতমদা আর্ট এন্দ কলচরদা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙখি। নৌনা পায়রক্লিবা লৈঙাক অসিনসু দিপার্টমেন্ট অসিবু মীরাইরক্লোই থাজৈ।

কোংগ্রেস পার্টি অসি সেক্যুলরিজমদা থাজবা য়াম্না লিরবা পোলিটিকেল পার্টি অমনি। লৈবাক অসিনা নিংখা তম্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী লুচিংবশিংবু নিংশিংদুনা লাক্লি। মাইনোরিটিশিংগী মরক্তা লুচিংবা অমা ওইরিবা মৌলানা অবুল কলাম অজাদনা লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদু নিংশিংবা ওইনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ, এম পিশিং, এম এল এশিং অমদি এম পি সী সীগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

সাপমচা কংলৈপাল নবেম্বর ২৫দা কংলাগী সনথোঙ...

লামায় ১গী মখা... নবেম্বর ১৮ দগী ঈহৌ চঙশিনবনা হেন্না মরম চাবনা চয়োল অমা চোন্থনবা ৱারেপ লৌখিবনি। ঙসিদি মান্নদবা ৱাখল্লোন খূদিংমক মাওইষ্টনা ৱাখল তামিন্নবগা লোয়ননা ঈহৌ অসিগীদমক লূপ অসিনা অকনবা ফীরেপশিং লৌরকপনি হায়রি।

চয়োল অমা চঙশিন্নবা শেম-শারম্বা ঈহৌ অসি হেন্না কনশিন্দুনা মীয়াম্না লানঙম ফিরাল থেৎত্রিফাওবা চঙশিন্নবা হেন্না কনবা ফীরেপ লৌরকপনি। সাপমচা কংলৈপালগী থৱায় মণিপুর মীয়ামদা য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ অসিগীদমক কথোক্লে। মণিপুর মীয়াম্নসু য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ অসি মায় পাক্লবা শেম-শাবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থাংজম মনোরামাবু লাম্মীনা ফারবা মতুংদা মীহাৎ থিনা হাৎখিবগী ঈহৌদা মাফিক্কী থৌমী মঙাসু মতম অদুদা মশানা মশাবু মৈ থাদুনা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখিবনি। মণিপুরগী পুৱারীদা তশেং-তশেংনা মশানা মশাবু মৈ থাখিবা লূপ অদু মাফিফনি।

য়েলহৌমী কন্নবগীদমক মাফিফকী প্রসিদেন্ট সাপমচা কংলৈপালনা থা অসিগী ২৫ দা কংলাগী সনথোঙ মমাঙদা মৈ থাদুনা শিজনবা ৱারেপ লৌরকপনি। মণিপুরদা লুচিংবা ওইনিংবা অদুবু মথম্মোয়দি শেংদবা কয়ানা মীয়ামগী থাজবা মাঙহল্লি হায়নসু মখা তারক্লি।

য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ অসিদদি অপুনবা মীয়ামগী ঈহৌ অমা ওইহনসি। ঈহৌ অসি মরী লৈনবা লূপ অমদি লন্নাই মীওই খূদিংমক্লা লুচিংবীয়ু হায়না লূপ অসিনা হকথেংননা ফীভম অমা নৎত্রগা অমদা পাউ ফাওনদুনা পাউজেল পীখিবনি। হৌজিকসু লৈঙাক্কী ওইনদি ফীভম অমা নৎত্রগা অমদা য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ অসি শোন্থহন্দুনা মাঙহন্নবা হোৎনরক্কনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মীরক্তা বোম পোকখায়হন্দুনা মীয়ামবু খোয়শাওনহনবা, এস টি দিমান্দগী ঈহৌ কনখৎহল্লকপা নৎত্রগা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়দৌরে হায়না মীপাইহন্দুনা মীয়ামবু য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌদগী লাপথোক্লবা শিল্লকপা য়াই। কল্লমগদৌরিবা ঙমখৈ অসি মীতোপকীরা নৎত্রগা য়েলহৌমীগীরা হায়বসিনি।

হন্দক চঙশিন্নবা সুপ্নগী চয়োল অমখক্তা ঙাইরক্লবা য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ অসিদা মণিপুর মীয়াম্না ৱাখল অনী লোংদনা মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নসি। কোনবা থুংদবা কংলা লানপুঙ য়ৈরম্বা তোক্লগা য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ মরকসিদা ঙকশমদা য়ানবা শেনবুঙ য়ৈদুনা ঈহৌ অসিবু শোন্থনবা খুরৌ থাংবগী মহুৎতা সাপমচা কংলৈপালনা থৱায় থাদোক্লগা লুচিংগদৌরিবা য়েলহৌমী কনবগী ঈহৌ অসিদা অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নসি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর মীয়াম্নসু শিরোই ফেষ্টিবেল, সঙাই ফেষ্টিবেল, কিহোম, চম্প্রা, কোমলা, শিংজুনচিংবা মখল কয়াগী ফেষ্টিবেল য়েংখ্রে। ঙসিদি য়েলহৌমী কন্নবগীদমক চঙশিল্লক্কদৌরিবা ঈগী ফেষ্টিবেল অসিদা মপূং ফানা ঈ কৎলমদুনা য়েলহৌ খুন্নাই কল্লমসি।

য়েলহৌমী কন্নবগীদমক মীয়ামদি ঈ কৎপদা অকিবা ফাওখিগদ্রা হায়বসি ইশানা ইশাদা পুকমেন-পাউমেনবীয়ু। ঐখোয় মখা তানা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী নমথাক্তা পংথফম থোক্ত্রে। মখোয়না থাকপা লাংদা থুরগুমসি। মীৎকুপ খরদং লন্নাইগী ওইবা ৱাফম খূদিংমক কাউথোক্লগা য়েলহৌমী কন্নবগী ঈহৌ অসিদা লৈজবা থৌনা অমদি ৱাখল লৌশিং পুথোকমিন্নদুনা য়েলহৌ খুন্নাই কল্লমসি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঈ খৌরাংলগদি মণিপুর মীয়াম্না ঈ কৎতুনা য়েলহৌ খুন্নাই কল্লমসি হায়রি।

লৈঙাক্লা থৱায় খৌরাংলগদি মণিপুর মীয়াম্না থৱায় কৎতুনা য়েলহৌ খুন্নাই কল্লমসি। হন্দক্কী খোঙহৌ অসিদগীদি থেংথরগুমসি। ঈহৌ অসি খেন্নবা খূদিংমক থাদোক্লদুনা লন্নাই মীওইদগী হৌরগা মখল খূদিংমক্কী লূপশিং, সী এস ও, পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা লালহৌলুপ হায়বদি খেন্নবা থমদনা য়েলহৌমী কনবা হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী অপুনবা খোল্লাউনি হায়বদু তাক্তুনা শরুক য়ামিন্নরমসি হায়না মখা তারক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়েলহৌমী কনবগী ঈহৌ অসি মপাঙ্গল কন্নবা, মায় পাক্লবা অমদি য়েক্লবগী লাল্লোং খূদিংমক মায়থীবা পীনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনফম থোকপা অমদি লৌফম থোকপা থৌদাং অদু লৌরি। ঈহৌ অসিদা লূপ অসিনা মীয়ামগী লুচিংবা সাপমচা কংলৈপালগী পূন্সিবু মীয়ামগী খুৎতা শিন্নরি। মসিদগী হেন্না তৌফম থোকপশিং লৈরগদি লূপ অসিনা মখা তানা থৌদাং লৌনবগীদমক শেম-শারি।

খুন্নাই অসিগী লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ খূদিংমক্লসু য়েলহৌমী কন্নবগীদমক লৌফম থোকপা থৌদাং অদু থম্মোয় শেংনা অমদি কথোকপগা লোয়নন লৌবীয়ু। য়েলহৌমী কনবগী ঈহৌ অসিনা মায়থীরগদি খুন্নাই অসিদা হিংলুবগী ৱাহন্থোক লৈতে। লূপ অসিগী ওইনদি লৈজবা খূদিংমক কথোক্লবা শেম-শারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা নবেম্বর...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগী মীপুম খূদিংমক্লা শরুক য়াদুনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন অমদি অপাম্বশিং ফোঙদোকপীয়ু। নুমিৎ অসিদা ষ্ট্রাইক, বন্দনচিংবা তৌবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা হায়খি, মীফম অসি করি মরমগী তৌরিবনো হায়বসি কনাগুম্বা কাঙলূপ অমদা সেক্সন অমদা মখোয়গী চঙশিল্লক্লিবা মুভমেন্টশিংদা অকায়বা খুরৌ থাংহন্নবগী ৱাফম নত্তে। লূপ অহুমগী মায়কৈদগী পোইন্ট তরুক য়াওবা মেমোরেন্দম অমা আর এন রবিদা শিনখ্রে। মণিপুরদা খুন্দারিবা কাঙলুপশিংগী মতাংদা খঙহনখ্রে।

আর এন রবিগা ৱারী শানবদা কাঙলুপকী ৱাফম পুশিল্লক্লবসু নাগালেন্দ হায়বা অসিদদি মপূং ওইনা চাদা ৮০ দি নাগাশিংনা তাবা লমনি। মণিপুরদদি তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নবনি। মণিপুরদা জুন ১৮ গী থৌদোক থোকখিবা, অৱা-অনা নংখিবা কয়া অদু অমুক হন্না থোক্লক্তনবা সেন্টর গভর্ণমেন্টতা খঙহন্নবগীদমক প্রেস মীট অসি পাঙথোকপনি।

মচেৎ-মচেৎকী ওইবা মওংদা চথুরোইদবনি। প্রোব্লেম লৈবা মতমদা ষ্টেক হোল্ডরশিং পুম্নমক য়াওরগা মণিপুরগী ৱারোইশিন পুরক্কদবনি। য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনা তৌগদবনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী অরোইবদা লৈগদবা ৱাফমশিং অদু সিভিল সোসাইটি, মণিপুর লৈঙাক অমদি মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। নম্ফু শিজিন্নরগা তৌরক্লবদি মণিপুর কন্নবগীদমক মীওই ১৮ শিখিবা অদুদগী হেন্না থৱায় কথোক্লবগীদমক মণিপুর মীয়াম্না শেম-শাদুনা লৈ হায়বসি লৈঙাক্লা খঙগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা সী সী এস কেগী ভাইস-প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিঙোম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, নবেম্বর ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপন দাইলোগ অসিদা মীপূম খূদিংম্না লাকপীদুনা ওইরক্লিবা ফীভম কয়া অসিগী মতাংদা করি লৌখৎকদগে হায়বনচিংবা খন্নবদা শরুক য়াবীয়ু।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা ওইহল্লকপা য়াবা ফীভমশিংগী মতাংদা খন্নগদৌরিবা অসিদা য়াওবীয়ু। নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নরকপা অসি অদুমক লৈমিন্নগে। পিছ ওইবা ৱাখল্লোন অসি থল্লগা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচরগী নীনি চনবদা শৈরেং শৈদিন্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): সাহিত্য একাদেমী অমদি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শিন্দুনা কংলা হোলদা চথুরকপা ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচরগী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা সিম্পোইজম অমসুং শৈরেং শৈদিন্নবা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী অহৌবদা ট্রেদিস্নেল ভেল্যুজ ইন ওল্ড মণিপুরী লিটরেচর হায়বা টোপিক্তা অরিবম চিতেশ্বর শর্ম্মানা মোদরেটর ওইদুনা সেসন চথুখি। থোকচোম ইবোহনবী, পোলেম নবচন্দ্র অমসুং লনচেনবা মীতৈনা চে পাথোকখি। মীয়ামগী ৱাহং অমদি পেপর রীদর, মোদরেটরগী ৱাহং-পাউখুমসু পাথোকখি।

মোদরেটর ওইখিবা অরিবম চিতেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, ট্রেদিস্নেল ভেল্যুজ ইন ওল্ড মণিপুরী লিটরেচর হায়বা টোপিক্তা পাঙথোক্লিবা অসি য়াম্না মরু ওইবা সিম্পোজিয়ম্নি। ট্রেদিস্নেলগী ওইবা য়াম্না মরু ওইবা অসিদা পাঙথোকপা ওইবনা কান্নবা পীবা থৌরম অমসু ওই। ইশানা ইশাবু খঙজবা হায়বসি মমাঙগী পুৱারীগী মরী লৈনবা লিটরেচর, খোরিরোল অমসুং লিটরেচর কূপ্না খঙমিন্নবা য়াম্না মরু ওই। মরমদি খঙদবা অসিনা লোলদসু অশোয়বা ময়াম অমা য়াওরকই। চৎনরোলদসু অশোয়বা ময়াম লাক্লে।

মতমগী য়াওলনা পুরকপা ওইসনু। অদুবু লমদমসিগী ওইবা পোৎশক্তি য়োক্তুনা থম্বা মথৌ তাই। খন্ন-নৈনবা অসি তোয়না পাঙথোকপা কান্নগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নুংথিলগী সেসন্দা পাঙথোকপা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমদা সঞ্জেন্বম ভানুমতিনা চ্যের লৌখি।

গ্রীন বিজিনেস চেল্লেঞ্জ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): গ্রীন বাইওটেক ইকো সোল্যুসন প্রাইভেট লিমিটেদনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৪ দা হোটেল ক্লাসিক্তা গ্রীন বিজিনেস চেল্লেঞ্জ ২০১৭ পাঙথোক্লগনি হায়না গ্রীন বাইওটেক ইকো সোল্যুসনগী দিরেক্টর গীতাশ্বরি য়ুম্নাম্না ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

সগোলবন্দ তেরা অখাম লৈকায়দা লৈবা গ্রীন বাইওটেক ইকো সোল্যুসনগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা গীতাশ্বরিনা হায়খি, গ্রীন বিজিনেস চেল্লেঞ্জ অসিদা এগ্রী এন্দ এলাইদ সেক্টরগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। ইকো টুরিজম, এগ্রী এন্দ এলাইদকা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ ওইবা পাম্বা ৱাখল লৌশিং লৈবা মীওইশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি।

এগ্রী এন্দ এলাইদকী থবক পায়খৎনবগী ৱাখল্লোনদি মপূং ফানা লৈবা অদুগা শেল পুথোক্লবদি লৈতবা নহা কয়ানা মশা-মশাগী ৱাখল্লোনশিং অদু পুথোকপা য়াগনি। থবক্তা ওন্থোকপা য়াবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোরক্লবদি ইনভেষ্টরশিং অদুমক লাক্কনি।

গ্রীন বিজিনেস চেল্লেঞ্জ অসিদা শক্লাইরবা ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমদি অখঙ-অহে কয়াসু শরুক য়াগনি। এগ্রী ইন্টরপ্রাইজেসশিং পায়খৎপা য়ানবা হীরম কয়াদা খন্ন-নৈনগনি। অখঙ-অহে কয়ানা থৌরম অসিদা ৱা ঙাঙগনি। ইন্নোভেটিব চেঞ্জ কোলাবোরেটিব প্রাইভেট লিমিটেদকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াগনি।

এগ্রীকলচর এন্দ এলাইদ সেক্টরদা পায়খৎপা থবক কয়া লৈরি। ওর্গানিক ওইবা মওংদা পায়খৎপা য়াবা হীরম কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি। মসিনা নৌনা ওন্ট্রপ্রেন্যুর ওইনিংবা মীওই কয়াদা কান্নবা পীগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

পি দি এসকী এজেন্ট ওইবা অমত্তা য়াওদে : এল জে পি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মনুংদা পি দি এসকী চেঙ, চিনি, থাউ-থুম য়েন্থোক-য়েঞ্জিনগী থবক কন্ট্রেক্টর, ট্রান্সপোর্টর, এজেন্ট অমসুং সব-এজেন্ট ওইবা অমত্তা য়াওদে হায়না এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী স্পোক্স পার্সন নিঙোম্বম ইবোহলনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এল জে পিগী ওফিসতা পাউমীশিংগাউনবদা নিঙোম্বম ইবোহলনা হায়খি, এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিট অসি কুমজা ২০১৮ গী অঙনবা শরুক্তংগী মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা লিংখৎখি। মতম-মতমগী লমদমসিদা থোকপা ইস্যু কয়াদা পার্টি অসিনা শরুক য়াদুনা লাক্লি।

হন্দক্তসু দিল্লি অমসুং মফম কয়াদা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংবু ইন্দিয়াগী ময়ায় লমগী মীওইশিংনা শক-চু খেন্নবগী হন্থনা য়েংনবা, ওৎ নৈবগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌবদা পার্টি অসিসু শরুক য়াখি। পার্টিগী মীওই কয়া দিল্লিদা চৎলুই। প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমসুং পার্টিগী নেসনল লীদরশিংদা চেরোল পীশিন্দুনা ঐখোয়গী ফীরেপ খঙহল্লুই। তুহৎপীরবা মীয়ামগীদমক খরদং ওইবসু লেপচবা ঙম্লবদি হায়না থাজবা অমগা লোয়ননা পার্টি অসি হিংহন্নবা হোৎনৈ।

পার্টি অসিগীসু মীওই মখল মখা কয়া য়াওরম্বা য়াই। পার্টি অসিবু অচুম্বা মায়কৈদা চৎনবগীদমক পার্টিনদি খঙহৌদ্রবা পার্টি অসিগী অরানবা তৌবা মেম্বরশিং থিগৎলকপা অমসুং তাকপীরকপা খূদিংমক তরাম্না ওকই অমসুং থাগৎলি। এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মনুংদা পি দি এসকী চেঙ-চিনি, থাউ-থুম, য়েন্থোক-য়েনশিনগী থবক, কন্ট্রেক্টর, ট্রান্সপোর্টেসন, এজেন্ট অমসুং সব-এজেন্ট ওইবা অমত্তা য়াওদে। এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকা মরী লৈনদে। লৈত-লায়র, লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা তৌরকপা খোঙথাং অমদি ৱাখল্লোন খূদিংমক শৌগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নুমিৎ নীনি চথুগদবা রেসিদেন্সিয়েল যোগ কেম্প হৌদোকখ্রে

"REDEFINE THE YOGIC NATURE OF LIFE"
2- DAY YOGA
on 11th &
2017
nue : Best Academ
lear Waikhom Mani Gi
ITI, THOUBAL & YUVA BHARA

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১(ঐচ এন এস): ভারতস্বাভিমান ট্রষ্ট পতাঞ্জলি যোগ সমিটি, থৌবালনা যুবা ভারত স্বাভিমান মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ নীনি চথুগদবা রেসিদেন্সিয়েল যোগ কেম্প ঙসি থৌবাল ওক্রমদা লৈবা বেষ্ট একাদেমীদা হৌদোকখ্রে।

কেম্প অসি হৌদোক্লদুনা যুবা ভারত মণিপুর অমদি যুবা প্রভানি থৌবালগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি অথোকপম সুনন্না ফোঙদোরকপদা, অসিগুম্বা মখলগী কেম্প অসি মণিপুরদা অহানবনি। যোগনা পীবা কান্নবা কয়া অদু মমুৎ তানা শেংনা শন্দোক্লা খঙহন্দুনা হকচাং ফনা লৈবা লমদম অমা পুরকপা হায়বা পান্দমদা কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

কেম্প অসিদা যোগগী লমদা খঙলবা ডা. এস বিতা, ডা. এস সুপিটর, ডা. এন রাজেন্দ্র, ডা. এন জিতেশ্বরীনচিংবা অখঙ-অহে কয়ানা শরুক য়াদুনা যোগনা ফহনবা ঙম্বা লায়না-লায়ওং কয়া অমদি যোগগী কান্নবা কয়াগী মরমদা ৱা ঙাঙগনি হায়নসু মখা তাখি। কেম্প অসি হৌদোকপগী থৌরমদা লমদম অদোমগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

শক্লাইরবী নুপী অইবী শঞ্জেনবম ভানুমতি ...

লামায় ১গী মখা... মহাকপু খুদক্তা কোনুং মমাঙদা লৈবা এদভান্স হোস্পিটালদা পুখৎখি। হোস্পিটালদা ঙাইহাক লায়কন্নরবা তুং নুংথিলগী পুং ৪.৩০ রোম তাবদা তাইবঙপাল থাদোকখ্রে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিনা লাউথোকখি।

ভানুমতিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু খাঙ্গেম্পলি পনখা ঙানপ্পী থোংদা লৈবা য়ুমদা য়ৌরকখ্রে। মশুং-মমান্নবীশিং, মরী-মতা অমদি নক্লবা মীওইশিং, খোরিরোলদা খোঙদামিন্নরিবশিং অমসুং মীয়াম্না লৈ কৎপা য়ানবগীদমক মহাক্কী হকচাং হয়েং অয়ুক ফাওবা থমখিগনি হায়রি।

লৈখিদ্রবী এস ভানুমতি কুমজা ১৯৪৮গী ওক্টোবর ১২দা শগোলবন্দ সয়াং পুখ্রি মপান্দা পোকখি। লৈখিদ্রবা কবি শঞ্জেনবম নোদিয়াচান্দগী মচানুপীনি। ভানুমতিনা ইরম্বা লাইরিকশিংগী মনুংদা *খোঞ্জেলসিবু নঙগীরা* (১৯৮২), *কল্লবা ঈরৈ'মদা অসুম অসুম* (১৯৯১), *অরোইবা ৱাহং* (২০০১), *লাক্লো ঐখোয় পুল্লসি* (২০০৬), *ওইরগদ্রা অরোইবা* (২০১১), *অপাইবা লাইথি* (কল্লবি গোবাল কৃষ্ণননা ইবদগী ইন্দিরা অনন্দ কৃষ্ণননা ইংলিশতা দি ফ্লাইং দোল হায়না হন্দোকপা-২০১২) অমসুং ঈশৈ, শৈরেং ১১৫ য়াওবা লাইরিক *শেল্লসি ইরমদম, কল্লসি ঈরৈপাক* (২০১৩) মমিং পনবা য়াই।

অইবী অসি মমিং লৈরবী হন্দোক্লোই অমা ওইখি। মহাক্লা *রস্কিন বোন্দগী দি ফ্লাইট ওফ বিজন্সতগী* হন্দোকপা *খুনুশিংগী লাঞ্জেন* (২০০৪)দা সাহিত্য একাদেমি ট্রান্সলেসন প্রাইজ কুমজা ২০০৭তা ফংখি।

লৈখিদ্রবী এস ভানুমতি পাউচে অসিগী রেগ্যুলর কলমনিষ্ট অমা ওইরমই। পাউচে অসি চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মহাক্লা অচৌবা থৌদাং লৌরমই। মহাক্লা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স অমসুং পব্লিকেসন অসিগী মখাদা থবক তৌরিবা ষ্টাফ মেম্বর পুম্নমক্কী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মীফম অদুদা মিনিট ২ তুমিন্না ৱা ঙাঙদনা লেপ্পুনা লৈখিদ্রবীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লাইরম্লেলদা ঈং-চীক্লা লৈরুনবা থৌনিখি।

মরক অসিদা, মীয়াম্না শকখঙনরবা মণিপুরী শৈরেং ইবী অমসুং সাহিত্য একাদেমি ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখ্রবী এস ভানুমতিনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙখ্রে। তরুকশুবা ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচর হয়েং লোইশিনগদবা থৌরমদা মিনিট ২ ৱা ঙাঙদনা তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি হায়না ফেষ্টিবেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী কনভিনরসু ওইরিবী মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরি ডা. কে সুশিলানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।